# বি সী সী আইনা ওফিসল ওইনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০ মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়খ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): মালেমগী টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়না বি সী সী আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)গী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকখ্রে।

বি সী সী আইগী ৱারোল অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা কোভিদ-১৯ লাম্থেংনবগী লোকদাউনগী মতম মে ৩ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা নুমিৎ অদুদগী নীনি লৈরগা ফোঙদোরকপনি।

বোর্দ অসিগী মায়কৈদগী মখা তারকপদা হৌজিক মীয়াম্না মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শান্নরোয়শিংদা নত্তনা মীয়ামগী হকশেল অমদি শাফগদবা মওংদা থবক থৌরম পায়খৎপনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌদাংনি খল্লগা বি সী সী আই অমদি আই পি এলগী ফ্রেন্সাইজশিংগী মপু, ব্রোদকাষ্টরশিং, স্পোন্সরশিং অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংগা কুপ্না নৈনরবা মতুং আই পি এল ২০২০ সিজন অসি মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙস্ন্বগী মপুং ফাবা ফিভম অমা লাক্লবা মতমদা নৌনা হৌননবা ৱারেপ লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, আই পি এল ২০২০ চহীসিগী মার্চ ২৯দগী মুম্বাইদা লৈবা ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন মুম্বাই ইন্দিয়ন অমসুং চেন্নাই সুপর কিংসনা অহৌবা মেচ অদু শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু কোভিদ-১০ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা আই পি এলগী মেচশিং অদু ভাবোকা য়াওদনা অহাংবা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্নবগী ৱাখল্লোলদা এপ্রিল ১৫দগী হৌগনি হায়না মমাঙদা ৱারেপ্পরম্বনি।

মালেমগী ওইবা ক্রিকেট মশান্নগী ওইবা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা চহীগী ওইনা লেপখিবা মতমশিংদা মপুং ফানা শান্নবা য়াদবগী তাঙ্কক অমা লাকখি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট টুর্নামেন্ট পুম্নমক লেপ্পা নত্রগা তোকপগী ৱারেপ লেপ্পখ্রবনি।

বি সী সী আইনা চহীসিগী মার্চ থাদা সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ক্রিকেট সেরিজ অদুসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবনি। লোয়ননা ইংলেন্দগী ক্রিকেট সিজন অদুসু মে ২৮দা য়ৈথোকখি। অদুগা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী টুর্নামেন্টশিং অদুসু মতম লেপ্পা ঙমদনা লৈনরি।

# শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট তমাস অজান রিজাইন তৌখ্রে



বুদাপেষ্ট, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): চহীসিগী অঙনবদা ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী ওইবা শেঞ্জা থুমজা অমদি দোপিংগী মতাংদা কাংলোন চুমদে হায়বগী ৱাফমদা য়ুম্বু ওইরগা ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্ট তমাস অজান ঙরাং অথেংবদা রিজাইন তৌখ্রে।

ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা উরসুলা পপানদ্রেনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা চহী ৪০ হেন্না ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী থবক থৌরমশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্বা তমাস অজানবা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পপানদ্রেনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা হান্নগী প্রসিদেন্ট তমাস অজান ফেদরেসন অসিদগী মতম শাংনা থৌ পুরল্লবা মতুং শেঞ্জা থুমজা অমদি দোপিংগী কাংলোনশিং লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা কমপ্লেন কয়া লাকপদগী মশা মথন্তা রিজাইন তৌখিবা অদুগী মতুংদা ফেদরেসন অসি নৌহৌননা অনৌবা লম্বেল অমদা চঙশিন্দুনা মশান্না অসিগী ওইবা মরিক চুম্বা পাঙ্গল অদু পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা বেজ তৌবা ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা চহীসিগী জন্যুৱারী থাদা জর্মনিগী ব্রোদকাষ্টর এ আর দিনা শীরকপা শেঞ্জা থুমজা অমদি দোপিং ভাইওলেসনগী মরাল অদুগী অকুপ্পা খঙদোক্নবগীদমক ফেদরেসন অসিনা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইবা থিজিন হুমজিনবগী থবক অদুগী মতাংদা ফোঙদোকখি।

এ আর দিগী রিপোর্ট অদুদা ৱেথলিফটিংগী ওইনা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিং ওলিম্পিক্সকী মতমদা দ্রগ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইবগী অচৌবা পাউ অমত্তা লৈখিদবা অদু শেঞ্জা থুমজানা মরম ওইহনবনি হায়খি।

হিরম অসিদা দোপিংগী কন্ট্রোল্লরশিংনা অচৌবা শেনফম লৌরগা মমিং লৈরবা ৱেথলিফটরশিংগী য়ুরিন সেম্পলশিং অদু টেষ্ট তৌবদা শেমজিন শাজিনবা রিপোর্ট কয়া অমা লৈখি হায়রি।

কুমজা১৯৭৬তগী হৌরগা ইন্টর্নেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনগী মরু ওইবা থৌদাং লৌরমখিবা মশাগী চহী ৮১ শুরবা হঙ্গেরি মচা তমাস অজান ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা চহী ২৪ থবক তৌরম্লবা মতুং মখা তাবা চহী ২০ প্রসিদেন্টগী ফম পায়দুনা লাকখিবনি।

মহাক্কী মায়কৈদগী এ দি আরগী রিপোর্ট অদুনা শীরকখিবা মরালশিং অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# আর্মস্পোর্ট সেলেক্সন কম কেস প্রাইজ টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): মালেমগী লৈবাক ২১০দা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা আর্মস্পোর্ট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা হাওবম মরক ইরোম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা মথং থাগী মে ১দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা আর্মস্পোর্ট সেলেক্সন কম কেস প্রাইজ টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে হায়না আর্মস্পোর্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াই, হৌজিক মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ২১ হেন্না শোকহনবগা লোয়ননা মীওই লাখ ১ হেন্না শীহনখ্রবনি। অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই লিশিং ১৩ হেন্না শোকহনখিবদা মীওই লিশিং ১৫ রোম শীহনখ্রবনি।

# সরথ কমালনা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ওইরে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনননা ঙসি থাদোরকপা শান্নরোয়শিংগী খ্বাইদগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী অসান্তা সরথ কমালনা গনসেখরন সাথিয়ানদগী থাক অমা হায়গৎলগা ৱর্ল্ড নম্বর ৩১দা লৈখিবদগী ইন্দিয়াগী নম্বর ১ টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ওইখ্রে।

চহীসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ওমান ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৩৮তা লৈরম্বা সরথ কমালনা পোজিসন ৭ হাইগৎলগা ৩১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লিবনি। হায়রিবা পোজিসন অসি মমাঙদা ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়াননা কল্লম্বনি।

আই টি টি এফকী অনৌবা মকোক মথং তাবগী পরিং অদু সরথ কমালনা পোইন্ট ৬৪৬০ ফংলগা ৩১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। অদুগা গনসেখরন সাথিয়াননা পোইন্ট ৬৩৩৫ ফংলগা ৩২শুবা পোজিসনদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় হর্মিত দেসাই ৭২শুবা পোজিসনদা লৈরি। অমল রাজনা ১০০বদা অদুগা মানব থারকনা ১৩৯শুবদা লৈরি। নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রনা ৬৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। অদুগা সুতিরথা মুখর্জিনা ৯৫শুবা পোজিসনদা লৈরি। রেঙ্কিং অসি জুন ৩০ ফাওবা হোংবা লৈখিরোই।

# লোকদাউনননা মশান্না খুদিংমক্কী এক্টিভিটিস লেপ্পবসু, প্রেক্টিস তৌবদি লেপ্লোইদবনি : রোতোন



হৌজিক টুর্নামেন্টকী সেদ্যুল অয়াম্বা কাইখ্রে। অদুবু গভর্ণমেন্টনা থল্লিবা অথিংবা অসি হেক লৌথোকখিবগা টুর্নামেন্ট কয়া মথং মথং লাক্কদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবনি। মসিদা শান্নরোয়শিংনা গ্যান তানা য়ুমদা প্রেক্টিস তৌবা মথৌ তাই। নেসনল সব জুনিয়র গর্লস চেম্পিয়নশিপসু মণিপুরনা য়ুম্বু ওইনবা শেম শারি। লাক্কদৌরিবা নবেভম্বর অমদি দিসেম্বর থা অসি ফাওবদা কোভিদ-১৯ অসি লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈবনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা নবেম্বর অমদি দিসেম্বর থা অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী য়ুম্বু ইন্দিয়ানা ওইরগনি হায়নসু লাউথোকখ্রবনি।

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মশান্না খুদিংমক্কী এক্টিভিটিস পুম্নমক লেপ্পি। লোকদাউন লৈবনা শান্নরোয় খুদিংমক কোচিং তৌবা, স্কুল চৎপা পুম্নমক লেপখ্রে। শান্নরোয়শিংনা থা অমা প্রেক্টিস তৌদনা লৈবদা অশুক্কী মতিক মাংজরিবনি। বোক্সর অমা ওইনা লোকদাউন মতম অসিদা করম্না ফিট ওইনা লৈগনি হায়রবদি ষ্টেমিনা হন্দনবা তঙাইফদনা সেদো প্রেক্টিস তৌবা, থৌরি চোংবা, স্কৱাট জম্প, পুস অপ অসিনচিংবা তৌবা তঙাইফদে হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (এম এ বি এ)গী কোওর্দিনেটর রোতোননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈবনা এম এ বি এগী ফঙ্কসন পুম্নমক লেপ্পি। লোকদাউন অসি হেক হাংবগা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা প্রেক্টিস তৌদবা য়ারোই, তৌনবসু শেম শারি। বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টুর্নামেন্ট কয়া য়ৈথোকখ্রে। লোকদাউন অসি হেক লৌইখিবগা অথুবদা তৌরক্কনি খল্লি। অসিগুম্বা অচৌবা টুর্নামেন্টশিং অসিগীদমক্তা এম এ বি এগী মায়কৈদগী সোর্ট টর্ম কোচিং তৌনবা শেম শাবদি লৈরে।

লোয়ননা ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিতিনসু তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং প্রোগ্রামশিং নবেম্বর-দিসেম্বর থা অসিদা হৌরবা য়ানা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরবনি। মসিদা শান্নরোয়শিংনা মীৎকুপ নাহুম শীংনা গ্যান তানা ইমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্নবগীদমক য়ুম-য়ুমদা অকনবা মওংদা প্রেক্টিস তৌবা য়াম্না মথৌ তাই।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়াগী তারিবা ফিক্সর পীবা ঙমদনা লৈরি। টুর্নামেন্টশিং অদুদি গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া স্কুল গেমস, ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস, গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদবা য়ুথ ৱিমেন এন্দ মেন নেসনল য়ু-১৯, ফ্রান্সতা পাঙথোক্কদবা ২শুবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়র (ৱর্ল্ড) গোৱাদা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র ৱিমেন নেসনল-য়ু ১৭, অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোক্কদবা সুব জুনিয়র মেন নেসনল য়ু-১৫, দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা ইন্টর জোনেল (ৱিমেন), কর্নাটকাদা পাঙথোক্কদবা ইলাইট নেসনল , অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোক্কদবা ইলাইট ৱিমেন্স নেসনল অমসুং মুম্বাইদা পাঙথোক্কদবা সুপর কপ-ইন্টর জোনেল নেসনল (মেন্স)নি।

# হোনিলুং লৈখিদবদা জেদ এফ এনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



পানমৈনা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংদা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না জেদ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরীনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস): জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ)না হোনিলুং পানমৈনা মতাং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমা প্রেসতা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা মশাগী চহী ৫২ শুবদা ঙরাং মশাগী থাংমৈবন্দ তরুংদা লৈবা ময়ুমদা মতম শাংনা নারকপদগী লৈখিদ্রবা এসোসিএসন অসিগী একজিক্যুটিব মেম্বর ওইরম্বা হোনিলুং পানমৈনা লৈখিদবদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মফম অমা মাংজরবনি হায়খি।

জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল ফুটবোল টুর্নামেন্ট শীন লাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা হোনিলুং

# ২০২২ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী শান্নফমদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখ্রে

দোহা, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): কুমজা ২০২২দা ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ য়ুম্বু কটারদা মেচ শান্নফম ষ্টেদিয়ম অহুমদা কোভিদ-১৯গী কেস ৫ থেংনখ্রে।

লৈবাক অদুদা ঙসি ফাওবদা পুন্না মীওই ৪১০৩ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা নাহল্লবা মতুং মীওই ৭ শীহনখ্রবনি অদুগা মীওই ৪১৫ লাইচৎ অসিদগী ফহনবা ঙম্লি।

ঙরাং কটারগী সুপ্রিম কম্যুনিতি ফোর দেলিভরি এন্দ লিগেসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা পাউ অমগী মতুং ইন্না ৱর্ল্ড কপ মেচ শান্নগদবা ষ্টেদিয়ম অমা ওইরিবা অল-থুমামা ষ্টেদিয়ম প্রোজেক্টতা থবক তৌবা মীওই ২ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখিবনি।

পাউ অদুনা মখা তারদুনা ৱর্ল্ড কপ শান্নগদবা ষ্টেদিয়মশিংদা থবক তৌরিবা মীওই ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইখি হায়রি।

# বেলারসতা নুপাগী লীগ পাঙথোক্লবসু নুপীগী লীগতী য়ৈথোকখ্রে

মিন্সক, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): য়ুরোপকী লৈবাক খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা ফুটবোল মশান্না য়াওনা অতোপ্পা মশান্না পুম্নমক য়ৈথোকপা অমদি তোকপগী থবক পায়খৎখ্রবা মতুং বেলারসতা নুপাগী ফুটবোল লীগ পাঙথোক্লবসু নুপীগীদি য়ৈথোকখ্রে।

বেলারসকী নুপীগী ফুটবোল লীগ ঙসিদগী হৌরগা কুমজা ২০২০ সিজনগী শান্নবা হৌগনি হায়না লেপ্লম্বনি। অদুবু ঙরাং অথেংবদা বেলারস সোক্কর ফেদরেসননা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না নুপীগী ফুটবোল লীগ অদু মখা তাবা পাউ অমা লৈত্রিবা ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু নুপীগী ফুটবোল লীগতি থা অসিগী ১৯দগী পাঙথোকপা হৌখিবা অদু মখা তানা অদুমক চথুরি।

বেলারস সোক্কর ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ কেরিয়র ওইরম্বা য়াবা মীওই কয়াগা শম্নখিবা লৈবগী পাউ ফংবনা মরম ওইরগা নুপীগী ফুটবোল লীগ অসি য়ৈথোকপনি হায়রি।

লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অলেকজেন্দর লুকাসেনকোনা বেলারসতা লোকদাউনগী অকনবা প্রেসর থম্বগী মায়োক্তা লৈরি। লোয়ননা মহাক হৌখিবা থাদা ভাবোকশিংগী মমাঙদা আইচ হোক্কি গেম অমসু শান্নখি।

বেলারসকী স্পোর্ট অমসুং টুরিজম মিনিষ্টর সরগৈ কোবালচুপনা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা নুপাগী প্রেমিয়র ফুটবোল লীগ অদু য়ৈথোকপগী ৱাফম লৈতে। ভাবোকশিংনা বোইকোট তৌরবসু মখা তানা শান্নখিগনি। মীয়াম্না ষ্টেদিয়মদা লাকপা নত্রগা লাক্তবগী অপাম্বা খঞ্জগদবনি হায়খি।

# স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী কোচকী ওইবা ওনলাইন ৱার্কসোপ হৌখ্রে, মিনিষ্টর রিজিজুসু য়াওখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) অমসুং নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা ঙসিদগী নুমিৎ ২১নিগী ওইবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী কোচশিংগী ওইবা ওনলাইন ৱার্কসোপ হৌদোকখ্রে। লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুসু ৱার্ক্সোপ অদুগী অহানবা সেসনদা শরুক য়াখ্রে।

ঙসি কোচশিংগী ওইবা নুমিৎ ২১নি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ওনলাইন ৱার্কসোপ অদুগী অহানবা সেসন অদু দ্রোনাচারিয়া এৱার্দ ফংখ্রবা সঞ্জিবা সিংহনা কন্দক্ট তৌখি। মদুদা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু অমসুং আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর আর্জুন মুন্দা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা সেসন অদু আর্চরি মশান্নগী ওইখি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা শান্নবগী হিরম খুদিংমক লোকদাউনগী মতমদা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়াদনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা ওনলাইনগী খুথাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনগা খুৎশম্নরগা কোচশিংগী ওইবা ৱার্কসোপ অসি ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবনি।

য়ুনিয়ন ট্রাইবেল এফেয়র্স মিনিষ্টর অমদি আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অর্জুন মুন্দদা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকপদা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী কোচকী থৌদাং লৌরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী হান্না লৈখিবা লৌশিং অদু হেনগৎনবগী পান্দমদা নুমিৎ ২১নি চুপ্না ওনলাইন ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

তোঙান-তোঙানবা মশান্না ১৬কী কোচশিংনা নুমিৎ ২১নি চুপ্না চথুগদবা ওনলাইন ৱার্কসোপ অসিদা শরুক য়ারি। ঙসি অহানবা নুমিৎতা আর্চরিগী সেসন হৌখ্রবা মতুং অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংসু মখা তানা পাঙথোক্কদৌরি।

নাকল অমরোমদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা খুৎশম্নদুনা কোচিংগী ওইবা থবক থৌরম পায়খৎনবা শেম শাখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ওনলাইন কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২০দগী হৌরগনি হায়রি।

নুমিৎ ১৩নি চুপ্না চথুগদবা ফুটবোল মশান্নগী কোচশিংগী ওইবা রিফ্রেসর কোর্স অদু থা অসিগী ২০দগী হৌরগা মে ২দা লোইগদৌরি। প্রোগ্রাম অসিদা য়ামদ্রবদা ফুটবোল কোচ ৪০০দগীনা ৫০০ ফাওবনা ওনলাইনদা শরুক য়াগনি হায়না থাজবা থল্লি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী কোচ এদ্যুকেসনগী মকোক ওইরিবা অমদি মমাঙদা ইন্দিয়াগী ইন্টর্নেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অমসু ওইরম্বা সাবিয়ো মৈদৈরোনা ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অমদি সাইনা পায়খৎলক্লিবা ওনলাইন কোচিং প্রোগ্রাম অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ফুটবোল কোচশিংগী ৱাখলদা অনৌবা লৌশিং পীবা খক্তা নত্তনা মখোয় মখোয়না হান্না শোইরম্বা মফমশিং মেনখৎপা ঙমগদৌরি।

# ভাবোক লাখ ১ চনগদবা গ্বাংজৌ এভরগ্রান্দে ষ্টেদিয়ম শাবগী থবক হৌখ্রে



সাঙহাই, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী): মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ষ্টেদিয়মশিংগী মনুংদা অমা ওইগদৌরিবা মীওই লাখ ১ চনবা গ্বাংজৌ এভরগ্রান্দে ষ্টেদিয়ম শানবগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

ষ্টেদিয়ম অসি স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাগী হোম গ্রাউন ওইরিবা কেম্পনৌদগী চাওবা হেনগদৌরি হায়রি। ষ্টেদিয়ম অসি য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৭ রোম চঙগনি হায়না চাইনাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেদিয়ম অসি কুমজা ২০২২গী লোইশিল্লকপদা শাবা লোইশিনগনি হায়না পান্দম থল্লি। গ্বাংজৌ এভরগ্রান্দে ফুটবোল ষ্টেদিয়মগী মওং মতৌ অসি থম্বাল লৈনাগী শক্তম লৌরগা শেম্বনি।

ষ্টেদিয়ম অসি খা থংবদা লৈরিবা চাইনাগী ‘ফ্লাৱর সিটি’ অদুগা থংননা লৈরিবনি। গ্বাংজৌ এভরগান্দে ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অসি শাবা লোইশিল্লবা মতুং য়ামদ্রবদা মীওই লাখ ১ হেন্না তিনবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরিবনি।

চাইনা লৈঙাক্না গ্বাংজৌ এভরগান্দে ষ্টেদিয়ম অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা ফুটবোল মশান্না অসিদা অহেনবা ইনোট পীশিনবা হোৎনরকপনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী হৌরকফম ওইরিবা চাইনাগী ৱুহান সিটি নুমিৎ ৭৬নিগী লোকদাউন মায়োক্নরুরবা মতুং মফম অদুদগী মীওইশিং থোরক্লুনা অতোপ্পা মফমশিংদা চৎপা য়াবগী অথিংবা লৈত্রবনি। লৈঙাক অদুনা ফুটবোলদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মখা তাবা অতোপ্পা ষ্টেদিয়মশিংসু শাগদৌরি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com